## মথং চয়োলদগী স্কুলশিং হাংদোক্লগনি

চেন্নাই, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
থা অসিগী ১৯ দগী টামিলনাদুদা লৈরিবা স্কুলশিং মরু ওইনা ক্লাস টেনদগী টুয়েল্ভ ফাওবা তাকপী তন্বীবগী থবক চথরিবা ইন্সটিট্যুসনশিং হান্নগুম মথৌ তৌবা হৌহল্লগনি হায়না টামিলনাদুগী চীফ মিনিষ্টর ইদপ্পাদি পালানিস্বামিনা ফোঙদোরক্লি।

স্কুলশিং হাংদোক্তুনা হান্নগুম তাকপী তন্বীবগী থবক তৌরবসু ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিবনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্টনা শেল্লিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চত্তুনা মথৌ তৌনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা খঙহনখ্রে।

লাক্কদৌরিবা বোর্ড এগজামিনেসনদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লগা স্কুল হাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। ষ্টেট অদুগী মমা মপা চাদা ৯৫ না স্কুলশিং অমুক হাংদোক্তুনা মচাশিং মহৈ তমহনবা পাল্লি। স্কুলশিং হাংদোক্তুনা হান্নগুম মথৌ তৌহল্লবসু ক্লাস অমদা মহৈরোয় ২৫ দগী হেন্না ফমহল্লোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিং ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহন্নবা টেব্লেটশিংসু পীজগনি।

ষ্টেট অদুদা লৈরিবা স্কুলশিংগী ওথোরিটিশিংনসু লাক্কদৌরিবা এগজামগীদমক খল্লগা স্কুলশিং হান্নগুম মথৌ তৌহন্নবা দিপার্টমেন্টতা কয়ারক হন্না হায়জরকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

# খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী মরক্তা খালিষ্টানিশিং য়াওশিল্লিঃ গভর্ণমেন্ট



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
হৌখিবা চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী মরক্তা খালিষ্টানিশিং য়াওশিল্লি হায়না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা কোর্টঅসিনা ফার্ম লো অহুম অদু হোল্ড তৌদুনা থমখ্রবা মতুং লৌমী খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা খালিষ্টানিশিং য়াওরি হায়না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লৈরিবা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা ফোঙদোরক্লি।

ভেনুগোপালনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রবা মতুং কোর্টনা হীরম অদুগা মরী লৈনবা এফিদবিট অমা ফাইল তৌরক্নবা খঙহনখি। সুপ্রিম কোর্টনা এফিদবিট ফাইল তৌরক্নবা খঙহনখ্রবা মতুং টোপ গভর্ণমেন্ট লোয়র অসিনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা ইন্তলিজেন্স ব্যুরো (আই বী) গী রেকোর্ড য়াওনা এফিদবিট সমিট তৌরগনি হায়না খুমখি।

অথীংবা থমখ্রবা সিখ সেপরেটিষ্ট গ্রুপ খালিষ্টানিনা লৌমী খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা চঙশিন্দুনা তোঙান তোঙানবা ঈহৌশিং শাগৎনবা হোৎনরি হায়না ভেনুগোপালনা ফোঙদোকখি।

ভেনুগোপালগী ৱাফমশিং তারবা মতুং চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেনা করিগুম্বা লৌমী খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা অথিংবা থমখ্রবা ওর্গনাইজেসন গ্রুপ নৎত্রগা ইন্দিভিজুএলশিং য়াওরম্লবদি মদু য়াওই হায়বগী খুদম কোর্টতা রেকোর্ড ওইনা উৎকদবনি। মদুগীদমক হয়েং ফাওবগী মনুংদা এফেদেবিট অমা ফাইল তৌরক্কদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ১৯৮০ দা সিখ সেপরেটিষ্টশিংনা খালিষ্টান মুভমেন্ট চঙশিনবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৮৪ দা মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ইন্দিরা গান্ধী মহাক মশামক্কী সিখ গার্দনা হাৎখিবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং পঞ্জাব পুলিসনা সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অদুগী মেম্বরশিং পঞ্জাবকী মফম কয়াদা কাপ্পুনা হাৎখি।

লৈবাক অসি মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরিবা খালিষ্টানিশিংনা লৌমীশিংগী খোঙজংদা শরুক য়াশিল্লক্লিবা অসি চিংনিঙাই ওই। হীরম অসিগী মতাংদসু সুপ্রিম কোর্টনা অহেনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না বি জে পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা খোঙজং মনুংদা প্রো পাকিষ্টান অমসুং প্রো খালিষ্টানগী ওইবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি হায়রি।

# ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরী ফগৎলকপা লৈত্রিঃ এস জয়সঙ্কর



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
হৌখিবা চহীগী জুন থাদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা উংখৎনরকপদগী ঙমখৈগী শরুক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা ইন্দিয়ন লান্মী ২০ শিখিবগা লোয়ননা চাইনিজ কয়া অশোক অপন নংহনখি। মদুগী মতুং লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী মখা তানা ফগৎলকপা লৈত্রি হায়না ফোরেন মিনিষ্টর সুব্রমনিয়ম জয়সঙ্করনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ১৯৬২ দা লৈবাক অনীগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা লাল তৌনখি। মদুগী মতুং চহী ৪৫ রোম লৈবাক অনীগী মরক্তা ঈং তপ্পগী মরী থল্লদুনা লাকখিবনি। অদুমওইমক হৌখিবা চহীদা চাইনানা ঙমখৈগী শরুক্তা অহেনবা ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌরকখিবগা লোয়ননা লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোলগী পরিংদা য়াম্না তোয়না পেট্রোলিং চৎলকপগা লোয়ননা ঙমখৈ লান্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপদগী হৌখিবা চহীগী জুন থাদা ঙমখৈগী শরুক্তা মথৌ তৌরিবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি।

মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা লমশিংদা মায় পাক্না চঙশিনমিন্নরবসু অমনা অমগী মরক্তা থাজনদবগী ফীভম অমা লাক্লি। মরম অসিনা ঙমখৈগী শরুক্তা খুন্দারিবা মীওইশিংগী ৱাখল্লোনদা চরাংনবা পোকহল্লি।

হৌখিবা চহীদা চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা ঙমখৈগী শরুক্তা অহেনবা মিলিটরি ফোর্সশিং থাজিল্লকখিবা অদুগী চপ চাবা মরম হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি হায়না জয়সঙ্করনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা যু এসতা লাক্কদৌরবা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশম্নুনা চৎমিন্নরগনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা খুদোংথিবা তারকপা মতমদা যু এসনা ঙসি ফাওবদা অফবা পার্টনর অমা ওইনা মতেঙ পাংদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরী নোংম নোংমগী ফগৎলক্লি। হৌখিবা চহী ১৫ রোম অসিদা যু এসতগী ইন্দিয়ানা দোল্লির মিল্লিয়ন ২০ হেনবগী খুৎশু খুৎলাইশিং লৈদুনা লৈবাক অনীগী দিফেন্সকী ওইবা অফবা মরী অমা থমদুনা লাক্লি।

ইন্দিয়ন ওসিনদা যু এসকী এলাই ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং জপানগা পুন্না নেভল এক্সরসাইজ পাঙথোকখিবা অদুগী মরু ওইবা পান্দমদি চাইনাগী অহেনবা থবক থৌরমশিং বেলেন্স তৌদুনা থম্নবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী লল্লোন ইতিক্কী ওইবা মরীদসু চাওনা শোকচিল্লকপগী মমি তাবা হৌরক্লে হায়রি।

# ‘ইদুনা পীরকপা ৱাহৈ খক্তমক সোনিয়ানা মীয়াম মমাংদা ফোঙদোক্লি’

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
ফার্ম লোগা মরী লৈননা লৌমীশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা মতেং পাংলিবনি হায়দুনা কোংগ্রেসকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোল্লিবা ৱাফমশিং অসি মহাক মশাগী ওইবা ৱাখল্লোনদগী ফোঙদোকপা নত্তে। মঙোন্দা অইবা চে ওইনা পীরকপা ৱারোলশিং অদু পাথোকপা খক্তনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনুরাগ ঠাকুরনা করেম্নখ্রে।

ৱাফম অসি সুপ্রিম কোর্টনা ফার্ম লো হোল্ড তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা ফোঙদোকখিনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সোনিয়া গান্ধীনা ফার্ম লোগী মতাংদা অমদি লৌমীশিং শৌগত্তুনা ৱা ঙাঙদ্রিঙৈদা রাহুল গান্ধীনা এগ্রিকলচরেল রিফোর্মগী মতাংদা ঙাঙখিবা ৱাফমশিং নীংশিংবা ফগনি।

কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা এগ্রিকলচরেল লোশিং শেম্বা পাল্লমখি। অদুমওইনমক মখোয়না ফার্ম লো মতম অদুদা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙমখিদে। কোংগ্রেস লৈঙাক্না ঙল্লমদবা কয়া অদু বি জে পিনা লুচিংবা মোদি গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক থবক ওইনা পায়খৎলক্লি।

মোদি গভর্ণমেন্টনা মতম লৈবা খিবিক্তা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী য়াইফনবা খন্দুনা লাক্লি। লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্না মখল কথা কয়াগী প্রোজেক্ট অমদি স্কিমশিং পায়খত্তুনা খুদোংচাবা কয়া পীরি। কোংগ্রেসনা লিশাংশিংনা পাল্লিঙৈ মতমদা তৌবা ঙমখিদবা থবকশিং মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা তৌবা উবদা কল্লকপগা লোয়ননা লৈঙাক অসিবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা ৱাফম কয়া কোংগ্রেসনা ফোঙদোক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা লৌমীশিংগী খোঙজং অসিদা শরুক য়ারিবা মরাল লৈজদ্রবা লৌমী কয়াদা ওইদবা কয়া হায়জিন্দুনা মোদিগী লৈঙাকপু লান্না উহন্নবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙল্লোই। লৈবাক অসিদা কোভিদ পেন্দমিক্না অকনবা চৈথেং পীরিঙৈ মতমদা লৌমীশিংগীদমক খল্লগা কিষান ক্রেদিট কার্দশিং লৈবাক অসিগী লৌমী ক্রোর অনীদা পীখি।

মোদি গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিং অসিগী মতাংদা খন্নবগী মহুত্তা অশোয়বা থিদুনা ঙাঙনবা হোৎনবা হায়বসি কোংগ্রেসকী ওইনা হান্নদগী চৎনদুনা লাক্লবনি।

অমরোমদা লৌমীশিংনা থা অনীরোম চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংবু সুপ্রিম কোর্টনা ওবজার্ব তৌরবা মতুং পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখ্রবা ফার্ম লো অহুম অদু হোল্ড তৌদুনা থম্নবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনখিবগা লোয়ননা অখন্নবা কম্মিটি অমা শেমদুনা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্নবা হোৎনগদবনি হায়না এদভাইস তৌখিবা লৈখ্রে।

# স্বামি ভিভেকানন্দগী ৱাখল্লোন মতৌ তম্লগা নেস্নেল এদ্যুকেসন পোলিসি হৌদোকখিবনিঃ নরেন্দ্রা মোদি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
স্বামি ভিভেকানন্দগী ৱাখল্লোন মতুং ইন্দুনা ভারতিয়া জনটা পার্টিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নেস্নেল এদ্যুকেসন পোলিসি হৌদোকখিবনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অনীরকশুবা নেস্নেল য়ুথ পর্লিয়ামেন্ট ফেষ্টিবেল লোইশিনবগী থৌরমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা অনৌবা ইকো সিষ্টেম অমা শেমগত্তুনা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা অফবা খুদোংচাবা কয়া পীনবা হোৎনরি।

স্বামি ভিভেকানন্দগী মপোক নুমিৎ লৈবাক অসিদা নেস্নেল য়ুথ দে হায়না মিংথোন্দুনা থৌরম কয়া পাঙথোক্লরি। লৈবাক পুম্বগী ওইনা স্বামি ভিভেকানন্দগী ১৫৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা পাঙথোক্লি।

স্বামি ভিভেকানন্দনা লৈবাক অসিগী নহাশিংগী ফিজিকেল অমদি মেন্টল ষ্ট্রেঙ্থ দিভলপ তৌনবা হোৎনরমখি। লৈবাক অমা মপুং ফানা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা নহাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। স্বামি ভিভেকানন্দনা হিংলিঙৈ মতমদা হায়রম্বা ৱাহৈ মী অমা ওইনা পোল্লবদি য়োৎকী মসল অমদি ষ্টিলগী নর্বশিং লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। মহাক্না হায়রম্বা ৱাহৈশিং অদুগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টনা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অমসুং নেস্নেল এদ্যুকেসন পোলিসি হৌদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অফবা মী অমনা অফবা কম্পনি অমা লিংখৎপা ঙম্মী। মদুনা মতিং লৈবা ইকো সিষ্টেম অমা শাগৎপদা চাওনা মতেং পাংই। ইকো সিষ্টেম অদুনা অমুক খঙ হৈরবা নহা কয়া পুথোরক্তুনা অফবা কম্পনি কয়া অমুক লিংখৎলকপদা মতেং পাংই। ফোরেন য়ুনিভর্সিটিশিংদা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অদুসু লৈবাক অসিদা ফঙহন্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা কন্না হোৎনরি হায়খি।

# মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনিঃ দিগবিজয় সিংহ

ভোপাল, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মধ্য প্রদেশকী মনুং চন্না লৈবা সিধি দিষ্ট্রিক্টতা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপী অমবু মীওই খরনা গেং রেপ চথখিবগী থৌওং অদুবু কোংগ্রেস লিদর দিগবিজয় সিংহনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং মরালগী চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মধ্য প্রদেশতা লৈঙাক পায়রিবা চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা থৌদোক অদু লুম্না লৌবগা লোয়ননা অতেনবা মতমগী মনুংদা থোকখ্রিবা লায়বকথিবা থৌদোক অদুগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনগদবনি। মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিংদা অসিগুম্বা কা হেনবা থবক চথবা মীওইশিংগী মথক্তা সিবরাজ চৌহানগী লৈঙাক্না ঙসি ফাওবদা চপ চাবা এক্সন অমত্তা লৌফৎপা লৈত্রি হায়না মরাল শীখি। কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টকী মতমদা নিরভয়া কেস ভিক্টিম অদুবু সোনিয়া গান্ধী অমসুং মনমোহননা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা পুখত্তুনা মতেং পাংখিবা অদুগুম্না হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনসু মতেং পাংফম থোকই।

ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়াম্না থুনা ফাদুনা মরালগী চৈরাক পীগদবনি। অমদি ভিক্টিম অদুগী অঙাংশিং য়েংশিনবগী থবকসু গভর্ণমেন্টনা পায়খৎফম থোকই হায়না লুচিংবা অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা মধ্য প্রদেশ পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না গেং রেপ কেস অদুদা চেন্নবা মীওই মরি ফারে। মখোয় হৌজিক পুলিসনা মচিন হংবগী থবক চথরি। হোম মিনিষ্টর নরোতম মিস্রানসু থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই খুদিংমক স্পিসল ত্রাইয়েল কেস অমা শুংশোই শোইদনা মায়োক্নহনগনি হায়রি।

# মধ্য প্রদেশতা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই ১১ শিখ্রে, খরনা লায়কন্নখ্রে



ভোপাল, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
মধ্য প্রদেশকী মোরেনা অমসুং গ্বালিয়র দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী ইমুং অমগী মীওই অহুম য়াওনা ১১ শিখ্রে। মীওই ১০ রোম্না হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট হোম মিনিষ্টর নারোটম মিস্রনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু য়াম্না মক লায়বকথিবনি। পাউ অদু তাবদা মঙোন্দা নুংঙাইতবা অমদি শাওনিংবা ফাওই। থৌদোক থোকখিবা মফমদুগী ষ্টেসন হাউসকী ওফিসর খুদক্তা সস্পেন্দ তৌখ্রে। লোয়ননা সেনিয়র ওফিসলশিং থৌদোক থোকফমদা থাজিন্দুনা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বশিং লেম্না থারোই হায়রি।

অমরোমদা চম্বল রেঞ্জকী ইন্সপেক্টর জেনরেল মনোজ শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা শিখ্রবা মীওইশিং অদু মোরেনাগী মানপুর পৃথিবী অমসুং পৱাহালি ভিলেজদগীনি। মীওইশিং অদুনা শিখিবগী চপ চাবা মরম খঙনবগীদমক মখোয়গী সেম্পলশিং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা থাখ্রে। হৌজিক রিপোর্ট লাকপা ঙাইরি।

পুলিসনা থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই মরি মশক খঙবা ঙমখ্রে। পুলিসনা হু চেনবা য়ু অদু কদাইদগী লাকখিবনো হায়বদু থিজিল্লি। খুঙ্গংশিং অদুদা য়ু শুংফম লৈত্রবসু য়ুমথংনরিবা খুঙ্গংশিংদগী য়ু লেপ্পা লৈতনা সপ্লাই তৌরক্লি। মখা তানা অসিগুম্বা খুদোংথিবা থৌদোক অসি থোক্তনবগীদমক য়ুমথংনরিবা খুঙ্গংশিংদসু এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকা লোয়ননা য়েংশিনবগী থবক চথবা হৌরগনি হায়খি। হৌখিবা চহীগী ওক্তোবর ১১ দসু হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী নোংমগী শুরগা হিংবা মীওইশিং য়াওনা বেগর ১১ সু উজেনদা শিখি। মতম অদুদা থোকখিবা থৌদোক্তুদা পুলিস কন্সটেবল অনী অমসু চেন্নরমখি। মখোয় অদুগী মনুংদা অমদি হন্দক্তা উজেনগী সেন্ট্রেল জেলদা হার্ট এটেক তৌদুনা শিখ্রে হায়রি।

# ওল লাইনদা খঙনবা নুপী উন্নবা লাকখিবা নুপা অহিং ১ জেলদা লেনখ্রে



লক্ষিমপুর খেরি, জন্যুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
ওল লাইনদা খঙনবা নুপীমচা অমগী বার্থ দে য়াওনবগীদমক কিলোমিটর কয়া লাকখিবা মশাগী চহী ২১ রোম শুরবা নুপামচা অমা নুপী অদুগী ইমুং মনুংনা পুলিসতা কমপ্লেন তৌবদগী অহিং অমা জেলদা লেনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা সলমান কৌবা নুপামচা অসিনা বেঙ্গলুরদগী ফ্লাইট তোংদুনা লক্ষনৌ তান্না চৎখি। মদুগী মতুং লক্ষিমপুর খেরি য়ৌবা বস অমা তোংদুনা নুপীমচা অদুগী ময়ুমদা বার্থ দে নংনবা থুংখি। মহাক্না নুপীমচা অদুগী য়ুমদা থুংলবা মতুং নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংনা মহাকপু মশক খঙদে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পুলিসতা কমপ্লেন তৌখি। মদুগী মতুং পুলিসনা মহাকপু অহিং অমা জেলদা থমখি।

অদুম ওইনমক নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংনা সলমানগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌ হায়বদি য়াখিদে। মহাকপু নিংথৌকাবা নুমিত্তা সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং পার্সনেল বোনদা থাদোকখিবনি হায়না কোটৱালি পুলিস ষ্টেসনগী ইন চার্জ সুনিল কুমারনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা সলমান উত্তর প্রদেশকী মনুং চনবা দিওরিয়া দিষ্ট্রিক্টতগীনি। বেঙ্গলুরুদা মেকানিক অমা ওইনা সলমান থবক শুদুনা লৈবনি। ওন লাইনগী খুথাংদা নুপীমচা অদুগা সলমানগা খঙনখি। নুপীমচা অদুনা মহাক্কী বার্থ দেদা এটেন তৌনবা হায়রকপদগী কিলোমিটর ২,০০০ রোমগী জর্নিদা মহাক নুপী অদুগী ময়ুমদা থুংলখিবনি। মহাক্না থুংলখিবা মতমদা নুপীমচা অদুগীদমক্তা টেদি বিয়র অমদি চোক্লেটনচিংবা আইটেম কয়া লোয়নরকখি হায়রি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ নাতোন পায়বা য়াদবা, পায়রুরগা মরেং-মরেং চৎপা, নাতোন মনুংদা ফুরি মকুপ-মকুপ থুংবা, কাইখ্রগনা চিকপা-নাবা তৌবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা হাকথি তোয়না খনবা, নাতোন মনুংদা ফুনজিন্দুনা লৈবা, খনাউ মরেং-মরেং চৎপা, নপ মহী তোয়না তাবা, না তাবা ৱাৎপা, লোক কংখূ খূবা, নাতোন মনুংদা পোম্বা, চাথৎপা, হাক্কৎচবা, নাতোন পায়বা য়াদবা, পায়রুরগা মরেং-মরেং চৎপা, নাতোন মনুংদা ফুরি মকুপ-মকুপ থুংবা, কাইখ্রগনা চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027, 8837496469** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু পূন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
3. Tiddim Road Old Bazar ICICI Bank Opp. CCpur, 7:00 am to 4:00 pm

HL-P/8549/13 থাগৎচরিবা : **Pukhram Bijendra Singh,** Meitram

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, পূকচেপ নাবা, পূক্তা শাগৎপা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খূৎশাশিং শজিং তোয়না হৌরগা ইনোপ্তা নোপ্পগুম তৌবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা য়াম্না চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎলকপা অশিনবগা লোয়ননা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংলগা লৈবা, চাবা-থকপা য়াদবা, চানিং-থক্লিংবসু পোক্তবা, চাশিল্লগসু চাবা তুমদবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা য়াম্না চিকপা-নাবা, দোক্টরদা য়েংলগা হীদাক গুলি চারবসু চিকপা অদু ফত্তবা, খ্বাঙ য়াম্না নাবা, মসলশিং অসিসু নোংমংবা য়াদবা চিকপা-নাবা, পূকচেপ নাবা, পূক্তা শাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খূৎশাশিং শজিং তোয়না হৌরগা ইনোপ্তা নোপ্পগুম তৌবা, য়েৎকী শাগন নাম্মা মরক-মরক্তা শিথগে তৌরকপা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, খোঙয়া শাবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, বেক বোনদা চিকপা-নাবা, হকচাং অসি ইশোন্তা শোন্থবা, পোথারগতা লৈনিংবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/8307/13 থাগৎচরিবী : **M. Jibanlata Devi,** Yumnam Khunou

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙন নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-B/6656/31/12-30/01 Contact No. 6009147645/8014023792

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূকচেপ নাবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোকপা অদুদা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হাম্লগসু অকনবা ওইনা হাম্লগা অমাংথোঙ মনুংদা খোঙ অকনবা অদুনা খেতৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা অজাদপু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূকচেপ নাবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোকপা অদুদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্লগসু অকনবা ওইনা হাম্লগা অমাংথোঙ মনুংদা খোঙ অকনবা অদুনা খেতৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাং শোন্থবা, ঙকশম মরী অমদি লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, মরক-মরক্তা খ্বাঙ নারগা হৌগৎপা ফাওবা ঙমদবা, কময়া অনীমক চিকপা-নাবা, ফম্বী শোনবা অমদি ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক নুংঙাইতবা অমদি চাবা তুমদবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা মরম ওইদুনা পূক পংখোংতা খোংবা, নুংশিৎ য়াম্না তোয়না চৎপা, মরক-মরক্তা য়েৎকী মসল অমদি খোঙ শিথবগুম তৌবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা খোঙ হাম্বা য়াদবা অমদি ঈ তাবা হেনবা, নাকোংদা ঙংলগা লৈবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎচরি।

: ꯂꯥꯏ গী লায়েংফমশিংদিজও
Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal .1
(Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am .2
(Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open .3
(Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open .4

থাগৎচরিবা : **Ch. Kiran**, Khurkhul HL-P/8516/13

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / পাউচেগী থোঙদা ওজা
**ABDUL HAQUE** পু থাগৎচরি

হাক পাইলসকী অনাবনা খোঙ হাম্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজঐগী অকোয়বদা পোমথোরকপা অমদি শোকপদা নাবা, অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পূক খোংবা, খ্বাঙ নাবা অমসুং থবাক ফুনবা অসিনচিংবা অনাবশিং অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ওজা Abdul Haque, Contact No. : 8794429681, 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপূং ফানা ফজরে, হকচাং নুংঙাইজরে। মরম অদুনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

-: ꯂꯥꯏ গী লায়েংফমজও
(Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm .1

থাগৎচরিবা : **Kh. Tomal**
Thangmeiband Awang Leikai HL-P/8536/13

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*

*(ঙৌবা পকপাঅ)*
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

*(তাং-তাং চিকপা)*
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

*(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)*
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

*(নুংশংন)*
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশনন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

*(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)*
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

*নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ুন*

*(পাগী প্রোব্লেমন)*
পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নন্নম্ফ কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

*(পীগী প্রোব্লেমন)*
পীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

*(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেমন)*
তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পান মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

*(শমগী প্রোব্লেম)*
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give .it with meal, vegetables or tea without telling him

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

**,(DR.(VAID) R N GUPTA (396**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream**
**.Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking**

HL-B/6671/5/1-3/2